# সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) সম্মিটতা পি এম মোদিগা ইমরান খানগা উন্নরোইদৌরি




***ন্যু দিল্লি, জুন ৬(এজেন্সি)ঃ***
কিরজিষ্টানগী কোনূং বিস্কেকতা পাংথোক্কদৌরিবা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা এস সি ও সম্মিট শরুক য়াবা চৎপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা পাকিস্টানগী ইমরান খানগা উন্নরোই হায়না ঙসি ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা শেংদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা জুন ১৩–১৪দা এস সি ও সম্মিট অদু শরুক য়ারুগদৌরি। ঐনা খঙবা ফাওবদদি এস সি ও মীফম অদুগী নাকন্দা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগগী মরক্তা উন্নবগী থৌরাং লৈতে হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই রবীশ কুমারনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ৱারী শান্নবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঙমখৈ ৱাংমদগী চথরক্লিবা টেররগী থবক তোক্কদবনি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা হৌখিবা চহী কয়াদগী হৌরদুনা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানগা ৱারী শান্নবগী থবক অমত্তা য়াখিদবনি।

অদুম ওইনমক হন্দক্কী জেনরেল ইলেক্সন অদুদা চাওনা মায় পাকখিবা অদুগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা টেলিফোন তৌরক্তুনা ইমরান খাননা নুংঙাইবা ফোদোক্লকখিবা অদুগী মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর অনীসিগী মরক্তা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী ওইথোক্লিঙাই অমা লৈরকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু ইমরান খানবু টেলিফোন তৌরকখিবা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোরকখিবা অদুগীদমক থাগৎখি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী বি জে পিনা মীখল মায় পাক্লকপা তারবদি ইন্দিয়াগা শান্তিগী ৱারী শানবগী হেন্না ফবা তাঞ্জা অমা মহাক্না উই হায়না এপ্রিলদা ইমরান খাননা হায়খি।

সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন অসি রসিয়া, চিনা, কিরজিজ রিপব্লিক, কাজখস্থান, তাজিকিস্টান অমসুং উজবেকিস্টানগী প্রসিদেন্টশিংনা ২০০১দা সাংহাইদা পাংথোকপা সম্মিট অমদা লিংখৎখিবনি।

ইন্দিয়াবু পাকিস্টানগা লোয়ননা ২০১৭দা এস সি ওগী মেম্বরসিপ পীরকখিবনি।

# এয়ার ফোর্সনা এ এন–৩২ ফংনবা থিবদা দ্রোনশিং শিজিন্নখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুন ৬(এজেন্সি)ঃ***
মাঙখিবা প্লেন এ এন –৩২ এয়ারক্রাফ ফংনবা থিবগী থবক হেন্না কনশিন্দুনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা অনমেন এরিএল ভেহিকল (দ্রোন)শিং শিজিন্নবগা লোয়ননা প্লেন অদু থিবগী থবক ঙসি নুমিৎ ৪নি শুরে।

অরুনাচল প্রদেশকী চীংগী লমদম ওইবা মেচুকাদা নোং–চুংগী ফিভম ফৎত্রবা ফাওবদা মাঙখিবা প্লেন অদু মফম কদাইদা লৈবগে খঙনবা থিবগী থবক অদু হেন্না কনশিনখিবনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অসামগী জোরহাততগী মীওই ১৩গা লোয়ননা পাইখৎখিবা প্লেন অদু ইকোন কোনবা ওইনা নুমিৎতুগী নুংথিল পূং ১দা কন্টেক তৌনখি।

অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা সিয়াং, ৱেষ্ট সিয়াং, লৱার সিয়াং অমসুং শি–য়োমীগী দিষ্ট্রিক এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা মখোয়গী থিবা–হুম্বগী ওপরেসনশিং অদু হেন্না কন্না চংশিন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

হায়রিবা মফমশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরশিংনা হেক ওইথোক্লিংঙাইলৈবা পাম্বৈশিংগা লোয়ননা এয়ার ফোর্সকা খুৎশন্ননা থবক তৌরি হায়না চীফ মিনিষ্টর’স ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

লৈমাইদসু লানগী ফিভমদা প্লেন অদু পাকশন্না থিনবা লমদম দুগী মীওইশিংদা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসিয়েলশিংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অপীল তৌখ্রে।

থিবা–হুম্বগী থবক অসিদা এয়ার ফোর্সনা এম–১৭ অমসুং এ এল ঐস হেলিকোপ্টরশিং, সুখোই এস য়ু–৩০ অমসুং সি ১৩০ জে প্লেনশিং লোয়ননা লোং–রেঞ্জ মেরিটাইম রিকন্নাইসেন্স এয়ারক্রাফ পি–৮ আই অমা শিজিন্নখ্রে অমসুং মসিদা ইশ্রোও সেটিলাইটশিংদি হান্নদগী হৌনা থিবা য়াওখ্রে।

প্লেন অসি থিবগী মরুওইবা মফম অসি প্লেন অদুনা পাইনবগী থৌরাং তৌখিবা লম্বী পরিংদা লৈবা মাউন্টেন রেঞ্জশিংদনি। মসিগী মমাঙদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা তুমবিন কৌবা খূনগী মীওইশিংনা নুমিৎ অদুদা চীংদোন অমদগী অথাবা অমুবা মৈখু কাখৎলকপা উখি হায়খি অমসুং মখোয়গী মফমশিং অদু কদাই ফাওবা চুম্বনো হায়বদু য়েংশিল্লি হায়খি।

# মিলিটরি চীফপু থাইলেন্দগী পি এম ওইনা লোমেকরশিংনা খনখ্রে



***বেঙ্কক, জুন ৬(এজেন্সি)ঃ***
থাইলেন্দগী জুনতা চীফ প্রায়ুত চান–ও–চাবু ঙরাং য়ুমশকৈশাগী অথেঙবদা পার্লিয়ামেন্টতা পাংথোকখিবা ভোট অমদা মহাক্না চথখিবা ২০১৪গী কু অদুগী মতুংদগী লৈবাক অসিগী অহানবা সিভিলিয়ান প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টতা পাংথোকপা ভোট অদুদা প্রায়ুতনা মাগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বা, মগুন লৈরবা মশাগী চহী ৪০ শুরবা বিল্লিনর থানাথোর্ন ‘জুৱানগ্রুৱাংকিত’ মায়থিবা পীখি। এন্টি–মিলিটরি ব্লোক লূচীংখিবা থানাথোর্ননা ভোট ২৪৪ ফংবদা মহাক্না ভোট ৫০০ ফংখি।

ফমদগী থবক থাদোক্লবা জেনরেল অসিনা মায় পাকখিবা অদু অতৈ করিমত্তনা নৎতে, মহাক্না খন–খন্দুনা হাপখিবা মেম্বর ২৫০গী সিনেটনা শৌগৎলকখিবা অমসুং মনুংদা অরোনবা ৱারী কয়া কন্না শান্নরবা তূংদা মরুওইবা সেকেন্দরি পার্টিশিংনা অথেঙবদা আর্মি–এফিলিয়েটেদ কোলিসন অমদা চংশিল্লকখিবা অদুননি।

মিলিটরি জুনতা অদুনা হাপখিবা সিনেটতা মেম্বর ওইরিবশিং মিলিটরি ওফিসারশিং অমসুং মিলিটরি য়াবা কয়া য়াওরি।

# সুদানদা মিলিটরি লৈঙাক লোইশিন্নবা দিমান্দ তৌদুনা চথখিবা প্রোটেষ্টশিংদা শিখিবা ১০০ হেনখ্রে

***য়ুনাইটেদ নেসন্স, জুন ৬(এজেন্সি)ঃ***
সুদানদা লৈরিবা মিলিটরি লৈঙাক লোয়শিন্দুনা সিভিলিয়ান গভর্ণমন্টতা শক্তি শিন্নবা দিমান্দ তৌদুনা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিং মিলিটরিনা থুগাইনবা হোৎনরকপদা শিবা মীগী মশীং ১০০ হেনখ্রে।

মীয়াম্না লম্বী থিংদুনা অমসুং ফমজিন্দুনা মিলিটরি লৈঙাক লোয়শিন্নবা দিমান্দগী খোঙজং অদু চয়োল কয়ামরুম শুরক্লবনি। প্রোটেষ্টশিং অদু সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তমথিবা মওংদা নিথৌকাবা নুমিৎতা থুগাইনবা হোৎনরকখিবদগী লৈবাক অসি ঈরাংগী ফিভম অমনা য়োমশিনখ্রে।

অসিগুম্বা খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা ফিভম অসিগী য়েংলগা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা সুদানদা লৈবা মখোয়গী ষ্টাফ খরা হোংদোকখ্রে হায়না ঙরাং ৱাঙাংলোই নুপী অমনা হায়খি।

সুদানদা য়ু এন ওপরেসন পূন্নমক মখা চথরক্লবসু খরা মরুওইদবা য়ু এন ষ্টাফ মতম খরগী ওইনা ঐখোয়না মফম হোংদোক্লে হায়না য়ু এন ৱাঙাংলোই এরি কানেকোনা হায়খি।

য়ু এন এইদ এজেন্সিনা অয়াম্বা ওইবা এজেন্সি ২৭কী অচৌবা য়ু এন গী থবক চথরিবা লৈবাক অসিগী কোনূং খারতুম থাদোকখ্রিবা য়ু এন ষ্টাফর মশীং কয়ানো খঙদে।



*মিলিটরি লৈঙাক লোয়শিন্দুনা সুদানগী লৈঙাক মীয়ামদা শিন্নবা দিমান্দ তৌদুনা চথখিবা প্রোটেষ্টশিংদা খারতুমদা সুদানগী ফিরান হায়দুনা লেপ্লিবা প্রোটেষ্টর অমা*

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ট্রুপ অমসুং পুলিস ৭,২০০ রোম থমদুনা অফ্রিকান য়ুনিয়নগা লোয়ননা দারফরদা পিছকিপ্পিং মিসন অমা চল্লাইরি।

ময়াই থংবা খারতুমদা লৈবা প্রেটেষ্ট কেম্প অমগী মথক্তা সেক্যুরিটি ফোর্স অমনা তমথিবা রেইদ অমা চথরকখিবদা য়ামদ্রবা প্রোষ্টেটর ৬০ শিখি হায়না ঙরাং ওপোজিসনগা মরীলৈনবা মেদিকশিংনা হায়খি।

আর্মিনা প্রসিদেন্ট ওমরবু ফমদগী তাহ্লোকখিবা মতূংদগী হন্দক্কী ইরাং অসি খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা মীশি–মীনা থোকপা হীংশানি।

লৈবাক অসিগী লৈঙাক মীয়ামদা শীনগদবনি হায়না মিলিটরি লৈঙাক অসিগী ময়োক্তা দিমান্দ তৌরিবা প্রোটেষ্ট খোঙজং অসিগা নক্লবা সেন্ট্রেল কমিটি ফোর সুদানিজ দোক্টরসনা ঙরাং য়ুশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকপদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা প্রোটেষ্টরশিং তকখাইখিবা অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০১ শিখ্রে হায়খি। নাইল তুরেলদগী হকচাং ৪০ লৌখৎখ্রে হায়না মখোয়না হায়খি।

প্রসিদেন্ট ওমর অল–বাসিরগী চহী ৩০গী অসুপ্পা লৈঙাক্কী মায়োক্তা থা কয়া প্রোটেষ্ট তৌরকখ্রবগী মতুংদা এপ্রিল ১১দা মহাকপু ফমদগী তাহ্লোকখ্রবা মতুংদগী লৈবাক অসি মিলিটরি কাউন্সিল অমনা লৈঙাক্লকখিবনি।

মিলিটরি লৈঙাকপা জেনরেল অবদেল ফত্তাহ অল–বরহননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহাক্কী চহী ৩গী ট্রান্সিসন পেরিওদ অমগী থৌরাং অদু তোক্লে অমসুং থা ৯গী মনূংদা মীখল পাংথোক্লগনি হায়না লাওথোকখি।

# তেলঙ্গনাদা কোগ্রেস এম এল এ ১৮গী মনূংদা ১২ লৈঙাক পায়রিবা পার্টি টি আর এসতা য়াওখ্রে



***হায়দরবাদ, জুন ৬(এজেন্সি)ঃ***
তেলঙ্গনাদা কোংগ্রেসকীদমক অচৌবা খূৎথিবা অমদা পার্টি অসিগী এম এল এ ১৮গী মনূংদা ১২না ষ্টেট অসিগী লৈঙাক পায়রিবা তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিটি (টি আর এস)তা য়াওখ্রে।

এম এল এ ১২ অদুনা ঙসি এসেম্বলি স্পিকর পি শ্রীনিবাস রেদ্দি উন্নখ্রে অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পাটিবু লৈঙাক পায়রিবা টি আর এসকা পূন্সিন্নবা চেরোল অমা পিশিনখ্রে।

তেলঙ্গানা কোংগ্রেস ষ্টেট য়ুনিটকী চীফ উত্তম কুমার রেদ্দিনা নলগোন্দা পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী লোক সভদা খনখ্রবা মতূংদা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা এসেম্বলিদগী রিজাইন তৌখ্রবা মতুং পার্টি অসিগী এম এলএ মশীং ১৮দা হন্থরকখিবনি। তেলঙ্গনা লেজিসলেটিব এসেম্বলিগী অপূনবা সিট সিট মশীং ১১৯নি।

অনৌবা অওনবা থৌদোকশিংদা তন্দুর কোংগ্রেস এম এল এ রোহিথ রেদ্দিনা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রশেখর রাওগী মচা নুপা অমসুং টি আর এস ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কে টি রামা রাও উন্নখি অমসুং লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিদা শৌগৎলে ৱাশকখি।

মার্চ থাদা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা মখোয় টি আর এসতা য়াওরগনি হায়না লাওথোকখি।

ষ্টেট অসিগী চাওখৎনবগীদমক এম এল এ ১২ অদুনা চীফ মিনিষ্টরগা পূন্না থবক তৌমিন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না সিনিয়ার কোংগ্রেস লেজিলেটর গনদ্রা ভেনকতা রামানা রেদ্দিনা হায়খি।

মখোয়বু টি আর এসতা পূন্সিন্নবা হায়জদুনা মখোয়না স্পিকরদা চেরোল অমসু পীশিনখ্রে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসকী অপূনবা এম এল এ মশীং ১৮ ওইবনা, এম এল এ ১২ অসি কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী ৩ থোকপগী শরুক ২ ওইরে। মরম অদুনা মখোয়না পার্টিদগী তোক্লকপদা এন্টি–দিফেক্সন লোগী প্রোভিজনশিংনা অকাইবা পীরোই হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

মখোয়না হায়জরক্লিবা অদু করিগুম্বা স্পিকরনা য়ারবদি কোংগ্রেসকী এম এল এ মশীং সুপ্নগী ৬ খক্তা ঙাইরবনা পার্টি অসিনা ওপোজিসন পার্টিগী থাক অদু মাঙজরগনি।

তেলঙ্গনা এসেম্বলিদা হায়দরবাদ লোক সভা মেম্বর অশাদউদ্দিন ওৱাইসিনা লূচীংবা এ আই এম আই এমগী মেম্বর ৭ লৈ, অদুগা বি জে পিগীনা সুপ্নগী অমখক লৈ। হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা পাংথোকখিবা এসেম্বলি মীখলদা কে চন্দ্রসেখর রাওগী টি আর এসনা সিট ৮৮ ফংখি।

# রাহুল ফম থাদোকপগী মতাংদা চমন্নরিঙৈ রাজস্থান কোংগ্রেস মনূংদা ফেক্সন মশেনগী লান কনখৎলক্লি

***ন্যু দিল্লি, জুন ৬(এজেন্সি)ঃ***
পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা পাক্তক্লনা মায়থিখিবগী অমদা–অমদা ওনশিন্দুনা মরান শীনবগা লোয়ননা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী ফম থাদোকপগী মতাংদা চমন্নরিঙৈ মরক্তা রাজস্থান কোংগ্রেস মনূংদা ফেক্সন মশেনগী লান কনখৎলক্লি।

রাজস্থান কোংগ্রেস চীফ সচিন পাইলোতনা জোধপুরদা চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলেতকী মচানুপা বৈভব মায়থিখিবগী দায়ত্ব লৌগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবগী মতূং ঙরাং য়ুমশকৈশ নুমিৎতা এম এল এ অমনা পার্টি লিদরসিপনা গেহলোতকী মহুত্তা পাইলোতনা শিন্দোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌখ্রে।

রাজস্থান কোংগ্রেসনা হৌখিবা দিসেম্বরদা ষ্টেট অসিদা বি জে পিবু লৈঙাক পায়রম্বদগী তাহ্লোকখিবা মতূংদগী পার্টি অসিগী মনূংদা শক্তি মুন্নবগী লান অদু তোদা ভিম এম এল এ প্রিথিবীরাজ মীনানা চীফ মিনিষ্টর ফম শিন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরকখিবা অদুনা লৈবাক মীয়াম মমাঙদা ফোংনা ফোংদোক্লকখ্রে।

পার্টি লিদরসিপনা অশোক গেহলোতপু চীফ মিনিষ্টর ওইনা হাপখিবা মতম অদুদা মদুগী ৱারেপ অদু সচিন পাইলোতনা পেনখিদে। এম এল এ অদুগী দিমান্দ অদুনা মীখল মায়থিবা মতুংগী তাঙ্কক অসি লূচীংবা শিন্দোক্লবগী খুদোঙচাবা তাঞ্জা অমা ওইনা ফেক্সন অমনা উই।

ষ্টেট অসিগী লৈঙাক পায়দুনা লৈরবা ফাওবদা ষ্টেট অসিগী লোক সভা ২৫গী মনূংদা সুপ্নগী সিট অমা ফাওবা পার্টিসিনা ফংবা ঙমখিদবা অদুদা রাজস্থান কোংগ্রেস মনূংদা নুংঙাইতবা ফিভম অমা লৈরকখিবনি।



কোংগ্রেস ষ্টেট য়ুনিট মনূংদা মতমদুদগী হৌনা মখা তানা নুংঙাইরকখিদবা অদুগী মরক্তা কোংগ্রেস ওফিস বিয়ারর অমনা থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবা অমনি হায়খি।

হৌজিক অসি পোলিটিকেল লিদরসিপকা লোয়ননা ৱার্করশিংগী ৱাখল –থৌনা ৱাংখৎহনবা মতমনি, শক্তি মুন্নবগী ৱা ঙাংদুনা মখোয়গী ৱাখল মখা তানা শোকহল্লোইদবনি হায়বসি সেনিয়ার লিদরশিংনা খংগদবনি হায়খি।

# অনাবা ৮৫ হাৎখিবা জর্মন নর্স জেলগী চৈরোক পীখ্রে



***ওলদনবর্গ, জুন ৬(এজেন্সি)ঃ***
মহাক্কী মখাদা শেন্নদুনা থল্লিবা অনাবা ৮৫ হাৎপগীদমক ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা জর্মন নর্স অমা পূন্সিগী জেলগী চৈরোক পীখ্রে। মহাক অসি লৈবাক অসিগী লান মতূংগী ৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবা সেরিএল কিল্লর ওইগনি থাজনরি।

অৱাং থংবা সিটি ওলদনবর্গতা লৈবা রিজনেল কোর্টকী জজ সেবাষ্টিয়ান বুহরমাকনা মশাগী চহী ৪২ শুরবা মীহাৎপা নিয়েলস হোজেলগী খূৎতা হাৎখিবা মী মশীং অসি মীওইবগী ৱাখলনা লামশিনবা ঙম্বগী ৱাংমা লাম্হোকখ্রে হায়খি।

মহাক্কী খূৎতা শিখিবা মীগী মশীং অসি ২০০দগী হেল্লম্বা য়াই হায়না পুলিসনা চিংনবা ফোঙদোক্লি।

কেস অসিগী থবক মখা চত্থনবগীদমক হকচাং ১৪০ হেন্না মোংফমদগকী অমুক লৌথোকপা অমসুং ওটোপসি তৌবা মথৌ তাই।

অদুবু হকচাং অয়াম্বদি ওটোপসি তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা হান্ননা পোৎলোয়খিরম্বা য়ারে।

# নেপালগী পশুপতিনাথ লাইশঙগী সনা কেজি ২৭৬, লূপা বিল্লিয়ন ১.৩ লৈ

***কাথমান্দু, জুন ৬(এজেন্সি)ঃ***
কাথমান্দুদা লৈরিবা পশুপতিনাথ লাইশঙনা মপূং ওইরিবা এসেটস থিজিন্নবা নেপাল গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা কমিটি অমনা লাইশঙ অদুনা সনা কেজি ২৭৬ অমসুং শেন ওইনা লূপা বিল্লিয়ন ১.৩গী মপু ওইরি তাকপা দাটা অমা ঙরাং মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা কমিটি অমনা দাটা অদু মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা অসি ইতিহাসতা মসিনা অহানবনি। ৫শুবা চহী–চাদা শাখিবা লাইশঙ অসি শিব নীংবশিংগীদমক এসিয়াগী খ্বাইদগী মরুওইবা মফম ৪গী মনূংদা অমনি।

## সনা–সুদোকু – ১৪৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 8 | 6 | 7 | 1 | 4 | 2 | 9 | 5 |
| 9 | 7 | 5 | 2 | 8 | 6 | 3 | 4 | 1 |
| 2 | 1 | 4 | 9 | 5 | 3 | 7 | 8 | 6 |
| 8 | 2 | 9 | 6 | 3 | 1 | 4 | 5 | 7 |
| 5 | 4 | 3 | 8 | 9 | 7 | 1 | 6 | 2 |
| 7 | 6 | 1 | 5 | 4 | 2 | 9 | 3 | 8 |
| 1 | 5 | 2 | 3 | 6 | 9 | 8 | 7 | 4 |
| 6 | 9 | 7 | 4 | 2 | 8 | 5 | 1 | 3 |
| 4 | 3 | 8 | 1 | 7 | 5 | 6 | 2 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-144**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | | | | 9 | | 1 | 2 |
| | 7 | | 2 | 3 | | | 6 | |
| 9 | 6 | | 8 | | | | | 3 |
| | 5 | 8 | 3 | | 6 | | | |
| 6 | | 3 | 1 | 9 | | | | |
| | | 9 | | 8 | | | 5 | |
| 3 | | | | | 1 | 6 | | |
| 1 | | | | 6 | | 9 | | |
| | | 6 | | | | 1 | | 8 |


## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 16/05/19
Valid : 08/05/19
Stk : 918
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirng**
Booking : 26/04/19
Sl. No. : 6620
Valid : 23/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 06/06/19
Valid : Nill
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Lamsang Gas Agency**
Booking : 09/05/19
Valid : 04/05/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hiyangthangh Indane**
Booking : 22/04/19
Sl. No. : 1150
Valid : 17/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 02/05/19
Valid : 01/05/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Indane Service**
Booking : 03/05/19
Valid : 28/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 18/05/19
Valid : 14/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Hrangchal gas Agency**
Booking : 13/05/19
Valid : 09/05/19
Stk : 306

**K & K Indane Service**
Booking : Up to Date
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**T D K Gas, Sekmai**
Booking : 23/04/19
Valid : 18/04/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 19/05/19
Sl. No. : 256690
Valid : 11/05/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 04/05/19
Valid : 26/04/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 25/05/19
Valid : 08/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Porompat Indane**
Booking : 04/05/19
Valid : 05/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 20/05/19
Valid : 16/05/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Phayang Indane**
Booking : 03/06/19
Valid : 25/05/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stk : 381, 19kg-47
Time : From 08.00 a.m.

**G B D Indane**
Booking : 25/04/19
Valid : 11/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 20/04/19
Valid : 09/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Swombung Indane**
Booking : 07/05/19
Valid : 30/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 17/06/19
Valid : 15/05/19
Sl. No. : 33148 to 33570
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Yairipok Gas**
Booking : 19/05/19
Valid : 15/05/19
Stk : 918
Time : 07.00 to 10.00 a.m